# নুঙদা হাপ্পগা তক্লদৌনি

## মখা শাংথরক্তনবা থবক্তি থুজিল্লো

জুলাই ১০, ২০২৫দা মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেশন লোয়শঙগী কম্মিস্নর থাইথুইলুং পানমৈনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ওন্থোক্লা শেংনা চুমখ্রবা ৱাফমশিং য়াওরকখ্রে। ৱাফমদু 'ক্বিন পাইনেপল' হায়না খঙনবা মণিপুরগী 'ওর্গানিক কিহোম' টন অমবু ন্যু দেল্লীদা লৈবা 'দেল্লী হট' তা এয়রলিফ্ট তৌদুনা পুখিনবগীদমক সঞ্জেনথোংদা লৈবা লোয়শঙসিগী ওফিসতগী লমথারদুনা ফোঙদোকখিবনি। মণিপুরগী লম্বী-থোং অমসুং লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা দুবাইদা ওর্গানিক কিহোম টন ৩০ থাগদবদা ঙমহৌদ্রে হায়রকপনি। ৱাফমসি য়াম্না চুল্লবনি। লাই কোটি ৩৩ পুল্লপ লাক্লবসু লাল্লি, অরানবা ৱাফমনি হায়রবা ঙল্লোইদৌরিবনি। য়ুনিয়ন টৈরিটরি অমা, ষ্টেট অমা নৎত্রগা লৈবাক অমগী চাওখৎপগী চাং লেপ্পদা মফমদুগী লম্বী-থোং অমসুং লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভমশিংসু মরু ওইনা য়াওরিবনি। মসিগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্তসু রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ হায়বা অমগা হোম মিনিষ্ট্রি হায়বা অমগা মিনিষ্ট্রি অনী তোঙান তোঙান্না মপাঙ্গল কন্না লিংলিবনি। হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেশন লোয়শঙনা দুবাইদা কিহোম টন ৩০ থাবা ঙম্লম্লগদি কিহোমশিংদু য়োনবা খক্তা নত্তনা মদুগী শেন্দোংসু ফংলমগদৌরিবনি। হোয়, কিহোম টন ৩০ য়োনবগী অমসুং মদুদগী ফংগদবা শেন্দোংদুনা মণিপুরবু সনানা ইংগ্রি শিৎলগনি হায়বা নত্তে। লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম ফত্তবদা নত্তনা লম্বী থোংশিংসু ফত্তবনা হীরম খুদিংমক্তা শোকচিনহনবদা নত্তনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোনসু চং ফংনা শোকহল্লে হায়বনি। ৱাফমসিদি হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেশনগী কম্মিস্নর খক্তনা কাংথোরকপা খক্তা নত্তনা মণিপুরগী ৱার্ক্স (পি দব্লিয়ু দি) অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর ফাওবগী মচিন্দগীসু থোরকফম থোকপনি। অদুবু মখোয়দি হোৎনরি, পায়খৎলি, দি পি আর শেল্লে, প্রপোজেল থাখ্রে, অয়াবা পীরকপগা, সেঙ্কশন/রিলিজ তৌরকপগা শেল্লনি, ফগৎহল্লগনি হায়বদগী হেন্না অতোপ্পা ৱাহৈশিং মচিন-মচিনশিংদুদগী থোকহল্লকপা ঙল্লোই। থোরকহন্নবসু হোৎনরক্লোই। হায়দ-হায়জিল্লুরগা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা তায়শিল্লক্কনি। খঙ-হৈরবা মখোয় ময়াম্না অৱাংবা থাক্কী ফম্নাইবশিং ওইবদগী নৎত্রো হৌজিক পীকখ্রবা ষ্টেটসিগী লম্বী-থোংশিং শলাক শারক্লিবা অমসুং লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম্না শীংকুপ শানা য়ানখাইরগা শিন-থুংনা চাইথোকপদৌনা পুমচাই চাইরিসে?

হৌখ্রবা, লোইখ্রবশিং কোৎথোক্তুনা পাউথংনবগী ৱাফম নত্তে। হৌজিক ওইরিবা মরিপুরগী ফীভমসিদগী অওনবা'মা পুরক্কে হায়রবদি কুম্বং শানা নৈরবা পৃখ্রিগুম্বা ফীভমসি কনানা ওইহল্লম্বনো, মখোয়না তৌরমগদবা থবকশিংনা করিনো? তৌখিদবনা কয়াম য়াম্বনো? তৌরম্লগনা থবক খৃত্তৌদুদা নুংশিৎ মায়রম লশিং কাপ্পদৌনা থোকখিবা থৌদোকশিং য়াওখিব্রা হায়বসি 'মার খোঙ্গুল' লিরুদবা য়ারিব্রা? লিফম থোক্তব্রা হায়বনি। হৌজিক্তদা চিংথোক্তুনা তায়নরুরগা 'ঙাপ্রুম মমৈ খুজিলনা শিকপ'দৌনা থোক্কদবা ওইরবসু শোয়খিবা, লানখিবা অমসুং তৌফম থোক্লবসু তৌখিদবশিংনা করি-করিনো হায়বদুদি খঙদোক্কদবনি। মতুংদা হঞ্জিন্না শোয়দ-লান্দনবনি। মস্বাই য়ৌরকপদদি মে ৩, ২০২৩দগী লান হৌরকখিবা মতমদুদা লৈখিবা লৈঙাক্লোইশিংদগীনা মখোয়গী মখা থাবা অমসুং তুং-ইনবা মকক-মনাও পূম্নমক পাকখ্রবা নুঙপাক অমদা পুল্লপ থাঙ্গৎলগা মরূ-ময়াঙদু বেশোনদৌনা পাওদর তানবা তকখাইরগে হায়রক্কদবা মীওইশিং মশীং য়াম্না চোংথোরক্কদবা মাল্লি। নত্তে, তমথীরবা লানদু থোরকপদগী য়ূম-কৈ, কৈথেল, দুকান, হোটেল অমসুং লাইশঙশিং উৎকী মপৈ ওইনা তুমহনবদগী হেন্দোরক্তুনা খূৎলায় পায়বা-পায়দবা থিদনা নুপী-অঙাং ফাওবা খাক্তনা অফং-অফংবা হাত্তোক্লরকখিবা নৎত্রা? পূম্নমকসি থোরক্লে হায়দুনা মখোয়না কৈদৌবা ঙমখিগে? মখোয়না ঙম্লম্লগবু ঙসি মায়োক্লরিবা ফীভমসি ওইরমগদ্রো? ঙমদ্রগনা ঙমদ্রে হায়দুনা অঙম্বা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা করিদি হায়জবা ঙমখিগে? লানসিনা তাল্লকপা দিমান্দসু অচম্বা নত্তে, লানগী থৌদোকশিংসু ঈঙাং পাক্তক্লবা, ঈমু পাম্ফেন্নবা ঙাক্তনি হায়বসি খঙজখিদবা মখোয়না করিগীদমক ৱাংলবা লৈঙাক্লোইশিংগী চৌক্রিদা কাখৎতুনা ফম্লুরিবনো? লম্বী-থোং অমসুং লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম ফৎত্রবদি মণিপুরসি হীরম খুদিংমক্তা লৈখা তারক্কনি হায়বসিসু খলহৌদব্রা? মায়কৈ খুদিংমক্তা লৌখৎপা য়াদ্রবা মখোয়দা শিংলি পাবন থোকপা মখৈ মিৎ-না শঙদোক্তুনা অরোইবা খোঞ্জেলদা লাউরবসু উৎ ওনখ্রবা লন-থুমশিং, মাঙখ্রবা থৱায়শিং হঞ্জিল্লক্কদবদি নত্তে। খূৎ য়ান-য়ান্দুনা চৈরবসু ফীভমসি মিত্রংদৌনা হান্নগী ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্কদবসু নত্তে। অদুবু খূৎলোকপী খূৎ ওইনা লোকখিবা মখোয়গী মখূৎশিংদুগী চপ চাবা মশক্তি মণিপুর মীয়াম অমসুং প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরিবশিংনা য়াম্না মুন্না খঙজিল্লু। অদুগা হকথেংনরিবা হৌজিক্কী ফীভমসিবু য়ারিবা মখৈ অথুবা মতমদা লোইশিন-খমজিন্দুনা মহৌশাগী ফীভমদু হঞ্জিলহল্লক্লবা হোৎনৌ হায়বনি। লোয়ননা ঙসিগী 'খণ্ড প্রলয়' গুল্লবা ফীভমসিবু মীয়ামদা খুদোল তন্নিবা মীহুৎ নখোয়গী নচিনশিংদগী মীয়ামগীনি হায়বা ৱাহৈ অমা ফাওবা কাঙথোরল্লনু। নোংমৈ, বোম-তোপকী মখোল, মীশি-মীনাগী মীকপ-মীরাওখোলনা মীয়ামগী নাকোং য়েশিল্লে। নখোয়না নচিনবালদা লাংবনগী খোইহি তৈদুনা মীয়ামদা উৎলক্কদবা মীনুংশিদু গুম্ভিরগী মমিৎতগী শিন্থরকপা পিনি হায়দুনা লৌগনি। নখোয়না হৌজিক তৌগদবা করিমত্তা লৈত্রে 'সনা নখোয়গী মতম লোইখ্রে'। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবীরকপা হায়দুনা থৌনিজরগা লৈরো। ফীভমদু ওইরক্লদি মীয়ামগী লৈঙাক অমুক হন্না খূৎপায়নরকপা ফংবসু য়াই। ফীভমসি ওইরক্ত্রবদি মথংগী মীখলদা নঙক্কা নোন্থরগা ভোটকী 'ভিক্ষ্য' নীনবা মীয়ামদা তিনফা-কাকফৈদৌনগা নপকে খঞ্জরুনু। থাঙ্গোলনা মতুপ-মতুপ থোক্না লেন্থৎলগা থুম চাইশিঞ্জরক্কনি হায়বনি। মখা তানা নৱা-নখোল থোরক্তবনা নখোয়গী য়াইফবা ওইগনি।

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৯২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাকচাথীনা লালঙমলে। য়োইবু মৈতৈ লৈমানা। সনা খোঙলেঙবদি অসিনসু লোইবা লৈতে। হেমবা হাওবা চীঙশাং লমদম তাপুং খুলদা লমগা লমলোনননা। নুঙখেনচা মিরৌ লম তুঙওইনা। মরৈপুঙ খুলদোল মিংকৌ চীঙদা সনা খোঙলেঙনা লালচৎপী। হেমচেৎ চকপা ঈতা থৌদোংবী। মরেম হাওবা পুঙচাই ঈতা। হুয়েল লাল তেলশিংনবী। লোইবী লৈপুং লালঙমবী। হুয়েল লাল শিলথোইবা ফাঙমবী। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯹꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ꯫ ꯌꯣꯏꯕꯨ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥꯅꯥ꯫ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯕꯗꯤ ꯑꯁꯤꯟꯁꯨ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯇꯦ꯫ ꯍꯦꯝꯕꯥ ꯍꯥꯎꯕꯥ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯂꯝꯗꯝ ꯇꯥꯄꯨꯡ ꯈꯨꯜꯗꯥ ꯂꯝꯒꯥ ꯂꯝꯂꯣꯟꯅꯅꯥ꯫ ꯅꯨꯡꯈꯦꯟꯆꯥ ꯃꯤꯔꯧ ꯂꯝ ꯇꯨꯡꯑꯣꯏꯅꯥ꯫ ꯃꯔꯩꯄꯨꯡ ꯈꯨꯜꯗꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧ ꯆꯤꯡꯗꯥ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯜꯆꯠꯄꯤ꯫ ꯍꯦꯃꯆꯦꯠ ꯆꯛꯄꯥ ꯏꯇꯥ ꯊꯧꯗꯣꯡꯕꯤ꯫ ꯃꯔꯦꯝ ꯍꯥꯎꯕꯥ ꯄꯨꯡꯆꯥꯏ ꯏꯇꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜ ꯇꯦꯂꯁꯤꯡꯅꯕꯤ꯫ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯂꯩꯄꯨꯡ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕꯤ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜ ꯁꯤꯜꯊꯣꯏꯕꯥ ꯐꯥꯡꯃꯕꯤ꯫ ●

# নোং, দি গ্রেট !



## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

জুন থাগী নহান নোংমা অমা তঙাই ফদবা লনাইগী থবক অমগী পোরোম্পাৎতা থবক অমা চৎলি। মদু অয়াং পল্লিগী টি ভি টৱার হাইজিনফম অদোমদগী চঙলগা (মখা পাংনা মথাঙ মথাঙ অনীরোম থেল্লগা) জেনিমস তাবা পোং লম্বী অদু তম্না চৎনবা লাক্লবনি। পন্থুংনা পোং লম্বীগী জেনিমস ফাওদোকফম অদুৱাই মফম অমদনি।

অয়াং পল্লিগী লম্বী মতেক অদু হেক চঙবা হৌবদা নোং চুবনা মরম ওইদুনা ফজরম্মে। লৈখোম্না কোইলাস মচেৎ অমত্তা উবা ফংলমদ্রে। চাকা অনী পানবা গাড়ীমচাশিংগী ওইনদি থৌনরিবশিংগী হৈজ শিংজবা লোইনা উৎথোকপা খুদোংচারবা মফম অমনি। হৈ শিংদ্রগদি মরক্তা লেপথোকপা য়াদ্রে। তঙাই ফদনা লেপ্তুবা য়াদ্রবদি লৈখোম মরক্তা খোঙূপ অদূ নমশিল্লগা লেপ্পা তাবনি। করিসু কায়দে মদু নোংনা থোকহনবনি।

খজিক্তং থৌজিল্লবদি টি ভি টৱার লৈরে অদুনা লম্বী লৈখোম থোক্লম্লরোই হায়না ঐনা ৱাখল শাগৎলি। মদুগী মপা য়ৌবদসু লম্বীদু অহোংবা লৈতে। কোক্কূৎ কোক্কূৎ ময়াম অমদুম লৈরম্মে। মখল মথেল লম্বীগী নুংঙাইবা ফংবা হৌই। ঐ অরেম্বগী লম্বী অদুদা চঙজরক্লম্মে হায়না করিসু খনবিদে। নুংঙাইবা অমদুম ফাওজে চাউথোকচৈ। পূন্সি হায়বসিদি জ াৎ জাৎ য়াম্না থেংনদৌনি হায়বদু লম্বী অদুনা ঐবু য়াম্না খলহল্লি। খজিক চৎলগা লম্বী অদু অহুম লোঙই। মখা পাংবা চৎলিবা লম্বী অদুদনি ঐনা থৌথদৌরিবসিনা! নুংশা মঙালদুনা মরম ওইরগা লৈখোম লৈনাংনা থল্লবা ফজরবা লম্বীদু লোক্তাক পাৎকুম্না লংত্রিক লংনা মীৎ থকহল্লি। মখা পাংনা নীংথিজরবা লম্বীদুদা চৎলে। সরকারগী অমদি লন্নাইগী স্কুল কয়া লৈবা উই। অঙাং ময়াম অমা লাইরিক তম্বা উই। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ লাইরিক তম্বদু নীংশিংহল্লি। অঙাংশিংনা লম্বীদুদা হরাউ হরাউ থোরল্লমগদবা মতৌদু মীৎতা শংশং উই। ঐসু মহৈরোয় ওইনীংলকই। ঐদি অঙাং ওইরিঙৈদা লৈখোম লৈনাং য়াম্না পামজরকই। ঐনা পামজবা লম্বী হায়বদুমক মফমদুদা থোক্লে। ফীভমসিদা গাড়ী থৈনবদা ঐ মীৎ না উইশিল্লগা খাঙবদু ঐ ফনদুম নুংঙাইবা ফাওই।

ঐ সনানা ওল্লকপা লৈখোম লৈনাং মরক অদুদা ঐ মোমোন মোমোন নোক্তুনা মখা পাংনা গাড়ীমচাদু অসুম থৌথৈ। ঐগী খোঙূপ, ঐগী খোঙগ্রাউ, ঐগী গাড়ীমচা পূম্নমক সনানা পূমতৈ তৈরে। ফজবনা লোইরে। ঐ অসি মতাংদুদা য়াম্না এদভেনচরস ওইবা মীশক অমনি হায়না ৱাখলদা চাউথোকচবা পোল্লকই। মখা পাংনা খরা থৌরগসু হেন্না সনা লৈখোম থোকপিরম্লবদি ফগনিদা হায়না খল্লি। নীংজবদুমক থুংলে। কনাগুম্বনদি মদু দবল নরকনি হায়গনি ঐদি মদু লাইরৈবাক্কী লম্বীনি হায়না মরৈ য়েৎথৎকনি। ঐদি মফমদু জি এম হোলদগী শূপ্নতগী কিলোমিটর মরিমুক্তমক লাপ্পা ওইরমগনি খল্লি। মণিপুরগী চীংগী লমদসু অসুম হায়না নুংঙাই নুংঙাইরবা সনা লম্বী কয়া লৈবগী ফোটো খরা মীৎতা উখ্রে, নুংঙাইরমগনি চৎনীংখি। ঙসিদি য়াম্না লাপ্পা চৎলুদ্রগসু ইনক নক্লা ঐগী নীংবা থুংজরে। এদভেনচরস ওইজবা ঐগুম্বগীদি য়াম্না পামজরবা লম্বী মখল অসি থাগৎচনীংবা ফাওই। ইরাপ লাপ্পা চৎত্রফাওদা তমগী লমদা অসিগুম্বা মফম অমা লৈজবা চাউথোকচৈ। ঐনা চঙলিবা কিলোমিটর অনীরোম ওইগদৌবা লম্বীদু *য়েংহৈরবা* শক্তম অমনি।

থেৎলিবা সাইন বোর্দশিং অদু উরগা মফম অদুদা লৈঙাক্কী *মরু মরু মরু* ওইবা লোয়শঙ কয়াসু লৈবগী মমি তাই। ঐনা য়ৌগদৌরিবা পোং লম্বীগী মতেক অদুমসু ঐনা হেক পামজবাইদু ওইরল্লে, নোংসিবু থাগৎচরি, নোং, দি গ্রেট! ঐ পূক্লীংদা মোন্দা নুংঙাইনা ঈশৈ শকপা হৌরকই। চীন্নসু তাল থারুই। মফমদু য়ৌরগা হোটেল ফম্বা তাদা অমদা ৱা অমা হংনবা লাক্লে। ঐনা হায়রিবদু তাননবা মনাক খজিক্তং চঙশিল্লগা হংনীংই। খোয়দাজরবা লৈখোম মরক অদুদা গাড়ীদু নুংঙাইনা খাম্মী। তাদদুদা ঐনা থিরিবা মফমদু হংই, তাকপীরকই। হা হা হা! দাউনা য়ারিসু ঐনা উবদা থোঙজিলদা ঙসিদি থোঙ হাংলরোই হায়না চে থেৎলম্মে। ওন্থোকপনিদা! ঐনা নীংজবা চপ চানা থুংলে।

অমুক মফমদুদগী থোরকপগী *মেঞ্জা* য়ৌরে। নোংসু খরা খীকপা অমুক হৌরক্লে। রেন কোটসু য়ূমদা থনম্মে। ঐনা পামজবা থোক্লে, *মংলম্বা নোং করিগী চুরক্লি, ঙসাই মখৈ ঐবু ঙাইরম্বরা* ঙঙবা হৌরকই। হান্নগী লম্বীদুদা থোরক্কদৌরিবা খূৎথোরক অদুগী খল্লুবদা *নুংঙাইবগী নিংশা* অমা চাউনা হোন্দোকই। *ঐনা পামজদবা লৈখোম থোক্তবদা* কোইথোক্লগা থোরক্কে হায়রসু ঙসাই লাকপা নুংঙাইবা লম্বী মতেক অদোমদা অসুম থোরকই।

ঙাইহাক লম্বীদা লেপথোক্লগা লম্বীগী ফজবশিংদু ফোটো নমশিরা খল্লি। কৈদৌরুবগনো খল্লি কাপলক্ত্রে। থৌরৈতে হায়দুনা মীনা নোক্লবীগদৌবগা মাল্লি। ফজ ফজনা কেথ কেথরগা ফোটো থাগৎপা, উ ৱা, চীং মান, য়ূম ফজবা, অরু অহেন, ঈশিং চাইবী, ফজরবী ইচা লৈশাবী, পাখংগী ফোটোশিং ফেসবুক্তা থাগৎনবা উই। অসিগুল্লবা লম্বী থোংগী ওইরিবা ফজ ফজরবা শক্তমশিং অসিসু ফেসবুক্তা থাগৎনরবদি ফেসবুক্কী ফজবা কয়াগী মতীক হেনগৎকনি! ফজবদি মী লোইনা য়েংনীংবনি ঙাওনবনি। মসি পূম্বা অদুনবু নোংনা ফজহল্লিসিনি। করিগুম্বদা ঐনা খল্লি ঐগী বাইক অসিসু পাইবা য়ারবদি অমুক্কা হেন্না ফজগনি। ●



# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ গোকুলকান্তা # ৪৯৮

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ইন্দিয়াগী অরিবা লায়েং পথাপশিংদা থোইদোক্লা শীজিন্নরক্লিবা হীদাক পাম্বীশিংগী মনুংদা গোকুলকান্তা (Gokulakanta) হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসিগী হিন্দিগী অতোপ্পা মমিংদা তালিমখানা (Talimkhana) নৎত্রগা নিরমুলি (Nirmulli) নৎত্রগা ভানকারি (Bhankari) নৎত্রগা গোখ্রু (Gokhru) নৎত্রগা কোকিল-অংখ (Kokil-angkh), ইংলিসতা হাইগ্রোফিলা (Hygrophilla) নৎত্রগা মার্স বার্বেল (Marsh Barbel), বেঙ্গোলিদা কুলিয়াখারা (Kuliakhara), সংস্কৃটতা গোকান্তা (Gokanta) নৎত্রগা ইকসুগনধা (Ikshugandha) নৎত্রগা কোকিলাক্সা (Kokilaksha), শ্রীলঙ্কাদা নিরমুলি (Nirmulli), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা হাইগ্রোফিলা স্পিনোসা (Hygrophila spinosa T. Anderson) নৎত্রগা হাইগ্রোফিলা আওরিকুলাতা (Hygrophila auriculata Schumach.) নৎত্রগা বারলেরিয়া আওরিকুলাতা (Barleria auriculata Schumach.) নৎত্রগা এসটরেকেন্থা আওরিকুলাতা (Asteracantha auriculata Nees.) নৎত্রগা টেনোরিয়া অন্দুলাতা (Tenoria undulata Dehrh.) হায়না কৌই অমসুং একান্থেসী (Acanthaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি নোংমাংখা পাম্বী (ফ্লোগাকেন্থস থাইরসিফোর্মিস), নোংমাংখা অঙৌবা (এধাটোদা ভাসিকা), ভুবতি পাম্বী (এন্দ্রোগ্রাফিস পেনিকুলাতা) অসিনচিংবনি। পাম্বী অসি হিন্দিদা কোকিলাকান্তা হায়না কৌনবগী মরমদি পাম্বী অসিগী মরূ অদু হেক য়েংবদা কোকিল উচেক্কী অঙাংবা রুবি-রেদ (Ruby-red) মানবা অদুদগী থোনখিবনি। পাম্বী অসিগী জেনেরা হাইগ্রোফিলা হায়বসিনা ঈশিং চোৎপা নৎত্রগা ঈশিংগী মপান্দা য়াম্না তোয়না হৌগনবা অদুগা স্পিনোসা হায়বসিনা পাম্বী অদু তিঙ্খং পানবা অদুদগী থোনখিবনি।



গোকুলকান্তা অসি ফুট ৪ ফাওবা ৱাংনা চপ য়ুংনা হৌবা তিঙ্খং পানবা অথোৎপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মখোক অদু মশুং নাইরপ তৌই অমসুং মতাং (Node) শিংদগী মনা, তিঙ্খং অমসুং ইবুংঙো মচু চঙলপ তৌবা লৈশিং অদু শাৎলি। পাম্বী অসিগী মসা অয়াম্বা মরু ওইনা মনা অদু অথোৎপা ঙৌরুনবা মচুগী শমশিং য়াম্না কূংনা পান্দুনা পায়বদা মোন-মোন লাওই। মহৈ অমগী মনুংদা অঙাংবা মচুগী মরূ ৪দগী ৮ ফাওবা পাল্লি। হায়রিবা মরূশিং অদু ঈশিংদা মতম খরা লুপ্তুনা থম্বদা নাং-নাং লাওবা মনাংশিং (ম্যুসিলেজ) থোরকই।

গোকুলকান্তা অসি অরীবা লায়েং পথাপশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। ইন্দিয়াগী মফম কয়ামরুম মরু ওইনা হিমালয়, শ্রীলঙ্কা, ম্যান্মার, মলেসিয়া, নেপাল অমসুং অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী হৌরকফম ওইবা পাম্বী অসি অয়ুর্বেদকী মরু ওইবা হীদাক পাম্বী অমসু ওইরিবনি। হোমিওপেথিগী লায়েংদা গোকুলকান্তা পাম্বীদগী শেম্বা মহী (Mother tincture) অদু ঈশিং গ্লাস অমদা দ্রোপ ৩-৪ রোম নৈখায়রগা পীথক্তুনা অরুম-লাইহৌ তৌবা অদু লায়েংনৈ। হায়রিবা অসি ঈশিং য়াম্না তোয়না খৌরাংগনবদসু কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। খৌনাও নাবা অমদি খৌ পোম্বা তৌবদসু গোকুলকান্তা পাম্বী অদু ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা চীন-লৈ অদু নোংমদা ৩-৪ রক তেংথোক্তুনসু লায়েংনৈ। মীৎ নাবা, নাতোন শাবা অমদি নাকোং লাইখুন তৌবদা গোকুলকান্তা পাম্বী শুগাইরগা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা মহী লাংথোকহল্লগা মৈদা অমুক-অনীরক শৌহল্লগা অফবা ফিজুম্না চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদুনা তেংথোক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ।

উনশাগী লায়না মখল কয়ামরুমদসু গোকুলকান্তা পাম্বী শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। অরটিকেরিয়া (Urticaria) হায়না খঙনবা উনশা ঙাংশং-ঙাংনা মথা-মথা পোমখৎপদসু অদুমক শীজিন্নৈ। ভাইরস নৎত্রগা বেক্টিরিয়ানা নাহনবা কঞ্জংটিভাইটিস (Conjunctivitis) হায়রিবা লায়না অসিসু গোকুলকান্তা পাম্বী শীজিন্নদুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। গোকুলকান্তা পাম্বীদা টর্পিনোইদ (Terpenoid), এলকালোইদ (Alkaloid), ফ্লেভোনোইদ (Flavonoid) শিং চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না পাম্বী অসি অরিবা লায়েংদা নুপা-নুপীগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্বা, কিদনি মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্বা অমদি মীওইবগী মশা অদু তিঞ্জং-কাইজংদনা মশা-মউ ফনা থম্বা ঙম্মী হায়না শীজিন্নরক্লিবা অদু অচুম্বা ওইগনি।

গোকুলকান্তা পাম্বী অসি বিজ্ঞাননা থিজিনবদগী অপোম-অতং কয়ামরুম ফহনবা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই হায়না খঙবদগী পাম্বী অসি কেন্সর মখল খরদা কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়রি।

থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা অদু গোকুলকান্তা পাম্বীনা হাৎপা ঙম্মী হায়বসি বিজ্ঞানগী ওইবা চাংয়েং চথদুনা খঙবা ঙমখ্রে। হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না লিকপা অমদি নাবদা পাম্বী অসি ফুৎলগা মহী পীথকপদা কান্নগনি। নুপীগী ফিনুংগী লায়না খরা, ঈতোন ফায়বা, হরা-কংখু তৌবা, ঈগী লায়না, তাং চাউথোক্তুনা চীকপা-নাবা, নুপীনা থাগী খোঙকাপ কা হেন্না চৎপা, নুপীনা ফিঙৌ চৎপা অসিনচিংবশিংগী লায়েংদা গোকুলকান্তা পাম্বী অসি শীজিন্নৈ হায়না Asolkar LV (২০০৫), Khare (২০০৭), Rastogi & Mahrotra (১৯৯৩), Kapoor (১৯৮২) না পাউদমখি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৭কী ৱাহং

১) "পি শিন্থরগবু অৱাবা কৌরবদি
ইঙা থাদা নোং চুরি
লৈচিলনা অৱাবা খঙবরা!
ঐদি কপ্তে, অদুনা ৱাদে খল্লবরা?"

মথক্তা থমজরিবা অসি লিরিকেল পোইম অমগী অহৌবদা য়াওবনি। লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) "অমম্বা যুগ" (১৯৯৯) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা ত্রান্সলেশন তৌবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং অমদি ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে?

৩) "কোয়মাঙ মাঙবা খোঞ্জেল ইহুল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) "ইনেবেন্মা" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু। অইবা অসি কনানো?

৫) "থৱায় মঙা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।